**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 03-05-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুরগী ৱাথোক চহি অনি মপুং ফারকপগা মরী লৈননা ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা চীংমী-তম্মী য়েলহৌ ফুরুপশিংগী অপুনবা মীফমনা ৱারেপ ১০ লৌখ্রে।

২) চুরাচান্দপুর অমসুং কাংপোকপী জিলাদনা তোখায় তাবা নুমিৎ হায়না পালন থৌরমশিং পাঙথোকখ্রে।

৩) মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু ঙসি ৱার্ল্ড প্রেস ফ্রিদম ডেগী থৌরম পাঙথোকখি।

৪) তোঙান তোঙানবা লম কয়াদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা ভারত অমসুং অঙ্গোলানা য়ান্নচেশিং সহি তৌনখ্রে।

অমসুং

৫) পাকিস্তানলোমদগী হকথেংননা নত্রগা নাকোইননা পুশিল্লকপা পোৎলম পুমমক ভারত্তা খুদক্তগী অথিংবা থমখ্রে।

------

মীফম (এল)ঃ কোওর্দিনেতি কমিতি ওন মণিপুর ইন্তিগ্রিতি (কোকোমি)না শিন্দুনা মণিপুরগী ৱাথোক চহি অনি মপুং ফারকপগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা চীংমী-তম্মী য়েলহৌ ফুরুপশিংগী অপুনবা মীফমনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ ১০ লৌখ্রে।

ইম্ফালগী খুমন লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা মীতৈ, মীতৈ পাঙল, কবুই, তাঙ্খুল, আইমোল, মাও অমসুং কোমনচিংবা তোঙান তোঙানবা য়েলহৌ ফুরুপশিংগী লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি। মীফম অদুগী অহৌবদা ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

মীফম অদু কোকোমিগী কনভিনর খুরাইজম অথৌবনা মীফম মপু অমদি থবক্তগী পোত্থারবা আই.এ.এস ওফিসার আর.কে. নিমাইনা মোদরেটর ওইদুনা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা সেন্তর ফোর মীতৈ পাঙল কলচরেল ষ্টদিজ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট- রিয়াজ উদিন সৈখনা হায়- ম্যান্মাররোমদগী আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপশিং খন্দোক্তুনা হলহনখিনবা মতিক চাবা লৌখৎফম থোকই।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ইন্দিজিনস পিপলস ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট অশাং কসারনা হায়- ঐখোয়গী লমদম ঐখোয়না শেমগৎকদবনি হায়বা চপ চাবা ৱাখল্লোন য়েলহৌমীশিংদা ফাওরবা মতমদা লমদম অসি কায়হন্দনা ঙাক্তুনা থন্বা ঙমগনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কোম ত্রাইব য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট সরতো অহাও কোমনা হায়- থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা য়েলহৌমীশিংনা নংলিবা অৱাবদা কোম ফুরুপসু শরুক য়ারি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফমনা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মনুংদা- ৱাথোক অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্দুনা কাংলুপ ফরুপ পুমমক নুংশি চান্ননা ইংনা চিকা লৈমিন্নবা য়ানবা শিনগদবনি, মীরৈবকলোমদগী হৌরকপা খুৎলায় পায়বা লুপশিংগা সস্পেন্সন ওফ ওপরেসন তৌনদুনা মখোয়বু শৌগৎপা মানবা

থৌওং তোক্কদবনি, নেসনেল হাইৱেশিংদা অয়েৎ অপন য়াওদনা চৎথোক চৎশিন য়াহল্লু, পোপি পান্বী থাবা থিংদুনা উমং ঙাক শেল্লু অমসুং নেসনেল রেজিষ্টর ওফ সিতিজন্স (এন.আর.সি) থবক্তা ওন্থোকউ হায়বনচিংবা য়াওরি। মসিগী মথক্তা মণিপুরগী ৱাথোক অসিদগী লাঞ্জেন্নরক্লুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা মীওইবা অমা ওইবগী তঙাইফদবা ফংফম থোকপা হকশিং ফংহন্নবসু মীফম অদুনা তকশিল্লি।

ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তারকপদা কোকোমিনা শিনদুনা কংলাগী নোংপোক থোংদা ইরাং অসিদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা মৈরা কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। লৈকাই লৈকাইশিংদসু য়ুমথোঙ খুদিংগী থোঙ্গালশিংদা মৈরা কৎতুনা ইরাং অসিদা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎলি।

থৌরম অসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী সিনাম, জিরিবাম, বিষ্ণুপুর য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু পাঙথোকখি। মীতৈ কাউন্সিল মোরেনা শিন্দুনা অনিসুবা রেজিষ্টেন্ট নুমিৎ ঙসি ৱাংজিং-কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্স রিলিফ কেম্পতা পাঙথোকখি।

শিব সেনা মণিপুর ষ্টেট য়ুনিতনসু মণিপুরগী ইরাং অসিদা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালদা লৈবা দলগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

ডে (এল)ঃ চুরাচান্দপুর অমসুং কাংপোকপী জিলাদা ঙসি মফম অদুগী মীয়ামা ঙসিগী নুমিৎ অসিবু তোখায় তাবগী নুমিৎ হায়না পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

কমিতি ওন ত্রাইবেল য়ুনিতি (কোতু)না শিন্দুনা কাংপোকপীগী থোমাস গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইরাং অসিদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

চুরাচান্দপুরদা আই.টি.এল.এফনা শিন্দুনা পাঙথোকপা তোখায় তাবা নুমিৎকী পালন থৌরমদসু ইরাং অসিদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

অমুকো (এল)ঃ ওল মণিপুর য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)না হায়রি- চুরাচান্দপুরদা তোখায় তাবগী নুমিৎ পাঙথোকপা য়াহল্লিবা অসি তৌফম থোক্তবা অমনি।

লুপ অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ৱাথোক অসি থুনা লোইশিন্দুনা শান্তি ওইবা লমদম অমা পুরক্কনি হায়বগীদমক থাজদুনা রাজ্য অসিদা রাষ্ট্রপতিগী সাসন থম্বদা মীয়ামা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক খিদবনি। অদুবু রাষ্ট্রপতিগী লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী অপাম্বশিং হৌজিক ফাওবা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদবা অসি য়ামা লাইবক থিবনি।

প্রেস (এল)ঃ মালেমগী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মণিপুরদসু ঙসি ৱার্ল্ড প্রেস ফ্রিদম ডেগী থৌরম পাঙথোকখি। পালন থৌরম অসিগী কুমশি চহিগী হীরমদি- ‘রিপোর্টিং ইন দ ব্রেব ন্যু ৱার্ল্ড-ইমপেক্ট ওফ আর্টিফিসিএল ইন্টিলিজেন্স ওন প্রেস ফ্রিদম এন্দ মেদিয়া’ হায়বসিনি।

সাহিত্যা থৌপাং লুপ (শাথৌ) লুপনা শিন্দুনা ইম্ফাল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পালন নুমিৎ অসিগী থৌরমদা চহি খুদিংগী খনগৎলবা পাউমীগী শিনফমদা মথৌ নিংথিনা তৌবা মীওইদা পীবা মনা- থিয়াম প্রেমকুমার এৱার্দ হ্ন দক চহিগী ওইনা ইবোয়াইমা লাইথাংবমদা পীখ্রে। মহাক দ হিন্দু পাউচেগী পাউমী ওইবতা নত্তনা তোঙান তোঙানবা নেসনেল মিদিয়াশিংগা খুৎশমবা সেনিয়র জরনেলিষ্টনি। ঙসি মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শ্রী ইবোয়াইমদা এৱার্দ অসিগী সাইতেসন, লেংয়াল অমদি শেলগী মনা খুৎশিন্নখি।

থৌরম অদুদা ওল মণিপুর ৱার্কিং জরনেলিষ্ট য়ুনিয়নগী চেরিটেবল ট্রষ্ট অমা ওইরিবা পাউমী ৱেলফিয়ার ফাউন্দেসনগী চেয়ারমেন-নিংথৌখোংজম তোম্বীরাজ অমদি অকাশবানি ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট দাইরেক্তর (নিউজ)- থোকচোম জোগেন্দ্রজিৎনা মথং শিৎনা অথোইবা মীথুং অমদি মীফম মপু ওইখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী তোম্বীরাজনা হায়- গনতন্ত্র চৎপা লৈবাক অমদা প্রেসকী নীংতম্বা হায়বসি য়ামা তঙাইফদে। মসিগা লোয়ননা অসিগুম্বা নীংতম্বা অসি ফংনবা হোৎনবা হায়বসি পাউমীশিংগী থৌদাংনি।

থৌরম অদুদা শাথৌ লুপকী এদভাইজর শরতচান্দ থিয়ামনা হায়- থিয়াম প্রেমকুমার এৱার্দ অসি শাথৌ লুপনা চহি খরগী মমাংদগী মণিপুরগী থোইদোক হেন্দোকপা অমদি কৎথোকপগা লোয়ননা থবক তৌরিবা পাউমীশিংদা মখোয়না লৌরিবা থৌদাং অদুবু শকখঙদুনা পীদুনা লাকপনি। শাথৌ লুপনা লমদম অসিগী মশক নাইরবা আইবশিংদসু চহি খুদিংগী মনা মথুম পীদুনা লাক্লি। ঙসি মালেমগী প্রেসকী ন্‌মিৎ অসিগা মরী লৈননা লমদম অসিগী শকাইরবা অমদি কৎথোকপগা লোয়ননা মতম শাংনা পাউমী ওইরম্লবা ইবোয়াইমা লাইথাংবমবু এক্সপার্ট কমিতিনা খন্নরবা মতুংদা এৱার্দ অসি মঙোন্দা লান্থোকপনি।

নোনে (এল)ঃ নোনে জিলাগী শনগ্রুং ভিলেজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন অমদি লেবর য়ুনিয়ন্না শিন্দুনা লম-তু শেংদোকপগী থৌরম অমা ঙসি খোংসাং রেলৱে ষ্টেসন মনাক্তা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা খোংসাং রেলৱে ষ্টেসনগী সুপরিন্টেন্দেন্ট অমদি ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি।

সাইন ঃ লৌউ শিংউ, অরিবা মতমগী লায়েং পথাপ অমসুং কলা সংস্কৃতিগা মরী লৈনবা হিরমশিং য়াওনা লম কয়াদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা ভারত অমসুং অঙ্গোলানা ঙসি য়ান্নচেশিং সহি তৌনখ্রে।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং অঙ্গোলাগী রাষ্ট্রপতি জে.এম.জি. লোরেনকোনা মীহুৎ কাংবুগী থাক্তা নিউ দিল্লিদা ৱারী শান্নরবা মতুংদা য়ান্নচেশিং অদু সহি তৌনখিবনি।

কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী সেক্রেটরি (ইকোনোমিক রিলেসন্স) দামু রবিনা নিউ দিল্লিদা পাউমীশিংদা হায়- লৈবাক অনিনা ঙাকশেলগী লমদা তেংবাং

পীনবা হেনগৎহন্নবসু য়ান্নখি। প্রধান মন্ত্রিনা অঙ্গোলাদা ভারতকী শেলদা দোল্লর মিল্লিয়ন ২০০ গী শেন্থুং পীরগনি হায়না ফোংদোকখি।

অথিংবা ঃ পাকিস্তানলোমদগী হকথেংননা নত্রগা নাকোইননা পুশিল্লকপা পোৎলম পুমমক ভারত্তা খুদক্তগী অথিংবা থমখ্রে। দাইরেক্তোরেট জেনেরেল ওফ ফোরেন ত্রেদনা হায়- নোতিফিকেসন অমগী মতুংইন্না পাকিস্তানদা শাবা অমদি পাকিস্তান ফাওরগা পুরকপা পোৎলম অমত্তা ভারত্তা পুশিল্লকপা য়ারোই। লৈবাক অসিগী ঙাকশেলগী অমদি মীয়ামগী য়েংলগা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

অমরোমদা, কেন্দ্রগী কম্ম্যুনিকেসন মন্ত্রালয়না হায়রি- নোংথক্কী অমদি কাংফালগী লম্বাশিং ফাওদুনা পাকিস্তনলোমদগী লাকপা মখল খুদিংমক্কী মেল অমদি পার্সেলশিং পীথোক পীশিন তৌবা থিংনবা ভারতনা ৱারেপ লৌরে।

পাকিস্তানগী ফিরাল য়াওবা জহাজশিং ভারতকী হিথাংফমশিংদা চংবা থিংলে। ভারতকী ফিরাল থেৎপা জহাজশিংসু পাকিস্তানগী হিথাংফমশিংদা চৎলোই হায়না কেন্দ্রগী পোর্ট, সিপ্পিং অমসুং ৱাটরৱেজ মন্ত্রালয়না হায়রি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- মেদিয়েসন হায়বসি মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনবদা য়ামা মরুওইবা শরুক অমনি। মসিনা ৱায়েল থৌদাগী থবক খোঙজেল য়াংশিনহনবদসু চাউনা মতেং ওইগনি। কুমজা ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা চাওখৎলবা ভারত অমা ওইহন্নবা হোৎনরিবা অসিদা মেদিয়েসন্না মরুওইবা থৌদাং লৌগদৌরিবনি।

নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপ্পমদা ঙসি মেদিয়েসন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ানা শিন্দুনা পাঙথোকপা অহানবা নেসনেল মেদিয়েসন কনফরেন্স ২০২৫ দা শরুক য়ারদুনা রাষ্ট্রপতিনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

কাং (এল)ঃ লাইনিংথৌ সনামহি কাং এসোসিয়েসন ৱাংগোইনা শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা লাইনিংথৌ সনামহি প্লেয়ারস মেমোরিয়েল কেন্দ্র ৱাইস লিগ কম নোক আউট ওপন কাং তুরনামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ওইনাম কেন্দ্র-এনা ৱাবগাই কেন্দ্র (ৱালিদা)বু পাঞ্জল ২১-১১ দা থোইখ্রে।

যোগ (এল)ঃ সি.আর.পি.এফকী ৮৬ শুবা বত্তাল্লিয়ন অমসুং আয়ুস দিপার্টমেন্টকা পুন্না শিন্দুনা নুমিৎ চুপা চত্থরকপা
যোগ এৱারনেসকী থৌরম অমা বত্তাল্লিয়ন অসিগী হেদক্বাটরসতা ঙসি লোইশিনখ্রে। থৌরম অসি এম.এন. সেক্তরগী আই.জি সৌরব কুমার চৌধরিগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপনি।

টেন্নিস (এল)ঃ মণিপুর সিভিল সার্ভিসেস টেন্নিস এসোসিয়েসন্না শিনবা সিভিল সার্ভিসেস টেন্নিস তুরনামেন্ট ২০২৫ থা অসিগী ৯ দগী ১১ফাওবা পাঙথোক্লগনি। লমফেলপাৎতা লৈবা ওফিসারস ক্লবতা পাঙথোক্কদবা তুরনামেন্ট অসিদা মেন্স সিঙ্গল, দবলস অমসুং ভেটরানগী মেন্স সিঙ্গল, দবলসতা অথোই অহেন তান্নগনি।

------